# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৩

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

**হৌজিক-হৌজিকমক** ইম্ফালদা আই এল পিগী ঈরাং মখল মখাগী প্রোটেষ্ট কয়ানা নোংমগী লেপ্তুনা চত্থরি। মসিমক লমদমসিগী মীয়ামগী অপাম্বনি। লমদমসিগী মীয়ামগী অপাম্বসিবু ঙসিগী লৈঙাক সাসন অসিনা থৌওইনা সাসনগী চুপলি পায়রিবশিংনা মখোয় মখোয়গী মরল মথুম মীয়াম্না মুনখিগদৌবগুম মীয়ামগী মায়োক্তা মখল মখাগী ওৎ নৈবা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবসি করম্বা মখলগী করম্বা থৌওংনো? মীয়াম্না তাল্লিবা দাবীসিবু লৈঙাক অসিগী মপুশিংগী মচাক মরল মাঙখিগদবা করিনো?

অসিগুম্বা মওং তাদবা লৈঙাকসিগী মওং অসি মমৈথংদা মখল মখাগী খুদোংথিবা থোরকপা য়াবা শত্তম নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। ও ইবোবীগী কোংগ্রেস সাসন অসিদা য়াওরিবা মন্ত্রি-মন্দল, এম এল এশিং খুদিংমক মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা অফবা সাসন পুরক্লবা নৎতব্রা? মমাঙগী ইলেক্সনগী মতমদা মীয়াম শুম্লগা ঈ থক্কনি হায়না মীহুৎ ওইরকখিবদি নত্তে খল্লি। মণিপুর মীয়ামগী অফবা সাসন অফবা খুন্নাই অমগীদমক্তা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লাকপীখিবা ঙাক্তনি হায়না মণিপুরী মীয়াম্না থাজবা থম্নরম্মী। অদুবু ঙসিদি মদু পূম্নমক্কী ওন্না তৈনবা মায়কৈরোমদা নোংমা নোংমগী মীয়ামগী য়েক্লবা ওইরকপা হায়বসি অফবা খোঙথাং অমদি নত্তে। মথংগী লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন থা ৬/৭ লোমতা মঙাইরে। ঙসি ইন্দিয়াগী মনুংদা কোংগ্রেস সাসন লৈমায়দগী মরু ফংনা মুৎখিবা য়াবা মতম লাক্লে। মতম অমদা শেঞ্জাও পায়বা রাজনিতি দল হায়বসি কোংগ্রেস মতোমতা ওইরম্মী অদুবু ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা লুপাগী শক্তি পায়বা পার্টি অমা চোঙথোরক্লে। মতম অমদা শেল, শঙ্গ-পঙ্গগী চাংয়েংদা কোংগ্রেসকী লম্বা লৈরমদবদগী মতম শাংনা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা মনিং তম্না হাইনা হুম্না পাল্লম্বনি। অদুবু মতমগী য়াওল, মতমগী অহোংবা অহিং-নুংথিল, থাসি-পুর্ণিমা নাইবগুম মতম্না পুরকপা ঈচেল ওইনা শেঞ্জাও পায়বা শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা পার্টি অমা থোরকপা হায়বসি তরাইবা মতম নত্তে। মতম অমদা ইন্দিয়াগী মনুংদা মশক নাইরবা রাজনিতি ৱালা ইন্দিয়াগী মনুংদা ফাওরম্বা কয়া ঈশিং মনুংদা লুপখিবগুম মশক নাইরবা রাজনিতিগী দল কয়া চেক-মোক লাউদনা লুপখ্রে। অসিগুম্লবা তাঞ্জাসিদা মমাঙঙৈগী মতৌগুম্না ঙকচাও থেকপা খক য়াররোই।

ঙসিদি মণিপুরদা আই এল পিগী ঈহৌ মরক্তা মখল মখাগী থাজ-থাজদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক মরাং কায়না থোরকপা মখল মখাগী থাজবগী ৱাংমদা প্রোটেষ্ট কয়া লেপ্তুনা চত্থরকপা, চম্না তরাইনা সাসনগী চুপলি পায়রিবশিংনা খন্থবা মতম ওইরে। ফমজাও পায়বা, হুরানবা, তৌবা ঙম্বা কয়াগী শক্তি, মীয়ামগী ঈহৌ মরক্তা ঙকচাও থেকপা তরাইনা লৌবা য়াররোই। ২১ শুবা চহীচা অসিদা মেদিয়াগী চাওখৎলবা যুগ অসিদা লাইরিক লাইশুগী থাক খম থেংনা ৱাংখৎলবা মতমসিদা সাসনগী হৈশিংবা শাদুনা মীয়ামগী ঈহৌবু নাথৈনবা হোৎনবা তরাইবা খক ওইরোই। মীয়ামগী ঈহৌদা ঙসিদি শিবা কিদনা থোরক্লিবা নহারোলশিং খুঙ্গং সহরগী ইমা ইবেল কয়াগী ঈহৌশিং লৈঙাকসিনা চম্না নোংমৈনা, মখল মখাগী শক্তিনা খক নমথবা য়াররোই। মীশি মীনা, মখল মখাগী তমথিরবা শরৌ লাংনা কৈদৌনুংদা নমথবা ঙম্লরোই। থৌনা ফরে, মরিল লৈরে হায়রিবশিং ঙম্নমক শিবা কিদনা চোঙথোরক্লিবা নহারোল, নুপী অঙাং, অহল-লমনশিং নমথবা হায়বসি খক য়াররোই। ঙসি ফাওবা মণিপুরদা তাল্লিবা দাবী, হৌরিবা ঈহৌ নমশিন-নমশিন্দুনা থম্বদু খক য়ারোই।

মতাংসিদা মীয়াম্না নীংশিংবা য়াই, রবিনা-সঞ্জিৎকী মীহাৎ, লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক, ময়ায় কাবা চিঞ্জাক ললোনবগী ৱাথোক, মথং মথং নমশিনবা য়াদবদগী ঙসিদি ফোংনা চোঙথোরক্লিবা মীয়াম্না খঙনরক্লে। মসি পূম্নমক কোংগ্রেসকী ও ইবোবীনা লুচিংবা সাসন অসিদা থোরকপা ৱাথোক ঙাক্তনি। ৱাথোক অসি অমমমতা ওইনা নৈনবদা তরাইবা অমত্তা ওইবা য়াররোই। মীওইবগী পুন্সিদা পুর্ণিমা হায়বসি পুন্সি চুপ্পা ওইবা খক য়ারোই। কোংগ্রেসকী ও ইবোবীগী সাসন মনুংদা থোকখিবা ৱাথোক নহারোল কয়া মরাল লৈতনা ফাখ্রগা ঙসি ফাওবা হিংলি, শিরি খঙদবা কয়া লৈতবা নত্তে। মসিগী মথক্তা তোম্বীস্না হায়স্কুলদগী ফংখিবা মীকোক কয়াগী কেস অমত্তা তরাইবা নত্তে। মন্ত্রি ওইরিঙৈ ফমজাউ পায়রিঙৈ শক্তি লৈরিঙৈগী পূম্নমক নমশিন্দুনা থম্নবনি ঙাঙনরক্লিবসি তরাইবা নত্তে। নোংমদি মীচম মীয়ামদা ওনশিল্লক্কনি। মীওইবদি অশিবগী মচানি, ওমর নত্তে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা মীচম অমগী মখূৎতা থৱায় মাঙখিবা ফাগী ওইনা লৌরুবা য়ারোই।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা কোংগ্রেসকী ও ইবোবীগী চহী ১৪ রোমগী সাসন মনুংদা থোরকখিবা ৱাথোক অমতা তরাইবা নত্তে। হুরানবা মচা, হুরানবা অচৌবা, মথং মথং লেপ্তুনা থোরকখিনি। মীহাৎ-মীপুন, মীশি-মীনা কয়াগী ৱাথোক লেপ্তুনা তারকখিনি। ঙসি অশিংবা শাদুনা শক্তি কয়ানা য়োমদুনা লৈরিবা ফম্নাইবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। পৈশা, শঙ্গ-পঙ্গগী থাক ৱাংখৎলকপা মতমনা পুরকপা ফল নোংমদি শোয়দনা রবিনা-সঞ্জিৎকী কেস মকা ফোঙনরকপগুম থোরক্লোইদবা নত্তে।

মতাং অসিদা আই এল পিগী ঈহৌনা হেন্না হেন্না অচুম্বা অরোনবা নুং-পানগী ৱাথোক শোয়দনা চোঙথোরক্লগনি। আই এল পিগী লুচিংপুরেল ওইরিবা রতনগী মথক্তা শিরকখিবা মরাল অদু তরাইবা নত্তে। রতনগী মথক্তা পীরিবা মরাল তশেংনমক মীয়ামসু ঙক্তবা নত্তে। মণিপুরবু ঈংনা চিক্না শান্তি ওইনা য়েলহৌমী কঞ্জনবা হৌরকপা ঈহৌবু মখল মখাগী থাজদ্রবা ৱাফম অমা থোরকপা মীয়াম্না করম্না লেম্না তোক্লি। রতন চাম্মা চাম্মা থোরক্লবা শেম শানরম্লগনি। রতননা লুচিংদুনা আই এল পিগী ঈহৌ কনখৎলকই। মসিমক তশেংনা ককপা য়াদনা চুম্মী। মতম কুইনদগী ফুমদুনা থম্নরক্লবা আই এল পিগী ঈহৌনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী মণিপুর ইরোমদোম হিংজগনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা চীংনুং মানুংদা তূম্বা চাবা খঙদবমখৈ লোৎতুনা খাঙলিবা নহারোলশিং কয়া লৈতবা নত্তে। অদুনা নহারোল কয়াদু মফম মরাং খঙদনা হাৎতোকপীখিবা ইমুং মনুংগী মরী মতা, মচিন মনাও কয়াসু থম্মোয়দা চাক্না খাঙবা য়াওদবা নত্তে। মমা-মপা, মচন-মচে, মরী-মতা কয়াদি করম্না খাঙলমগনি। আই এল পি হায়বসি লন্নাইগী ৱাফম নত্তে। মীয়ামগী অপাম্বনি। মণিপুরদা মতম কয়াগী মমাঙদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈজরক্লবশিংগী অপাম্বনি। আইনগী ৱাংমদা তানবা দাবীসু নত্তে। অতৈ অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটতা পীবা য়ারগা মণিপুরদা করিগী পীবা য়াদবনো? মরম অদুনা মণিপুরগী সাসন পায়রিবশিংনা আই এল পি অসি পীবা পামদবনি হায়বসি হেন্না ময়েক শেংলকই। আইনগী ৱাংমদা তানবা দাবী নত্তে।


নাকল অমরোমদা, মণিপুরবু থুগাইনবা হোৎনরিবা তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়া লৈরে হায়বসি কোংগ্রেসকী লুচিংবা ও ইবোবীনা খঙনা-খঙনা ঙসি ফাওবা তুমিন লৈশিনবনা করিগীনো? মমাঙথক্তা নাগালেন্দগী, মিজোরামগী রাজনিতি লুচিংবশিংনা ফোঙনা ঙাঙখিবশিংগী মথক্তা করি করি লৌখৎলবগে? মণিপুর থুগাইনবা পার্টি ফোংনা চোঙথোরক্তুনা পার্টি লিংলিবশিংগী মথক্তা করম্বা খোঙথাং লৌখৎখ্রবগে ?

মসিগী মখা তারকপদা লালহৌবা নহারোলশিংনা ফোঙনা চোঙথোরক্তুনা তোঙানবা পার্টি অমসু মথংগী কুমজা ২০১৭ তা চোঙথোক্লবদি তুমিন লৈবা য়াগদ্রা? মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ৱাহং কয়া লৈতবা নত্তে। মণিপুরী খুদিংমক লালহৌবা য়াওরে হায়বীগদৌরিব্রা? লালহৌবগী মীচং চঙই হায়দুনা মীয়াম পূম্নমক ফাবীগদৌরিব্রা? হন্দক্কী আই এল পিগী ঈহৌ অসিনা মণিপুরদা সিভিল ৱার অমগী চেবাউ থাবগুম থোকহন্নিংদে। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা মীয়াম্না পুকচেল খোইজেল-লিংজেল মান্ননা হৌরিবা ঈহৌ মালেমদা থিংবীনবা কনাসু লৈরোই। মীয়াম্না হৌরিবা ঈহৌসি তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয় নহা ১০০/১০০ থৱায় কখোকসি, শিবা পাম্মুদ্রবদা লম্বা পাবীনবা মালেমদা কনাসু লৈতে। আই এল পিগী লীদর রতন ফাখ্রবসু রতন চাম্মা চাম্মা লেপ্তুনা চোঙথোরক্কনি। ঐখোয় পুল্লসি, অপূনবগী জয় অপূনবগী শক্তি ময়েক শেংনা উৎলসি।

## হুইয়েন লানপাউ কেরিকেচর চাংদম্নবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংনা য়েক্লকখিবা লাই খরা



কে ইবোমচা মৈতৈ, লাইরেঞ্জম মখা (মেকোলা)(অহানবা)



সলাম সামসোন মৈতৈ, ক্বাকৈথেল সোইবম লৈকায় হাওরোকচাম্বী লম্পাক (অনীশুবা)




এলাংবম সুরেস মৈতৈ, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় (মেরিনদ্রাইভ) (অহুমশুবা)




নোংমাইথেম দিলিপ সিংহ, সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক



তেলেম খাইদেম, কাইরং মনিং লৈকায়